# হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)
Vol. 49, Issue No. 155 | ইরাই, লাংবনগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, September 05, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## কাদরশিংনা গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা টেররিষ্টকী থৌওংশিং চত্থরকপদগী মীয়াম্না ‘সূ’ লৌথোক্কদবনি হায়খ্রবসু চহী ১ শাংদোকহনখ্রে

**ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২৪দগী ‘সূ’গী এগ্রীমেন্ট শাংদোকহন্দবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক য়াওররোই হায়খ্রবসু চহী ১ শাংদোকহনবদা খূৎয়েক পীবা য়াওখ্রে**

**‘সূ’গী এগ্রীমেন্ট শাংদোকহল্লবা মতুংদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহল্লগনি হায়রি**



কাদরশিংনা গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা টেররিষ্টকী থৌওং চত্থরকপগীদমক মীয়াম্না ‘সূ’ লৌথোক্কদবনি হায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অমা (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সিক্যুরিটি এদভাইজর (নোর্থ-ইষ্ট) এ কে মিশ্রা অমদি মিনিষ্ট্রি অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর (নোর্থ-ইষ্ট) রাজেস কমল্লি অনীনা লুচিংবা মিনিষ্ট্রি অসিগী মীহুৎশিংগা কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ১দগী অহানবা ওইনা অসাম রাইফলসকা ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন’ তৌনরক্লবা মতুং কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দগী মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাকসু য়াওশিন্দুনা কুকি-জো-মার মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী অপূনবা লূপশিং ওইরিবা কুকি নেশনল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ‘সূ’ এব্রোগেট তৌগদবনি হায়রগা শাংদোকহল্লক্লিবসি অমুকো অমসুং মীয়াম্না য়াবা ঙল্লোই : নন্দো লুৱাং

**‘সূ’ গী কাদরশিংদা ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২৪দগী থাগী ষ্টাইপেন্দ পীরক্তবদু পীথোকপা য়ানবা অনৌবা এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনদুনা শাংদোকহল্লকপনি**



**‘সূ’ গী এগ্রীমেন্ট চহী অমা শাংদোকহনখিববু তরাম্না ওকই, থৌওং অসিনা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবদা মতেং পাংলগনি : য়ূম্নাম জয়কুমার**

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাংদগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবদা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি এদভাইজর (এন-ঈ) এ কে মিশ্রা অমসুং মিনিষ্ট্রি অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর (এন-ঈ) রাজেস কমল্লিনা লুচিংবা ওফিশলশিংগা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীনা এ দি জি পি অসুটোস কুমার অমসুং এন অশোক কুমার (কম্মিস্নর-হোম) য়াওনা সূ তৌনরকখিবা কে এন ও অমদি য়ু পি এফকী মীহুৎশিংগা ঙসি ফাওবা চত্থখিবা মীফমদা নৌহৌননা সূগী এগ্রীমেন্ট ঙসিদগী হৌরদুনা চহী অমা শাংদোকহনবদা অয়াবা পীখ্রিবসি অমুকো অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্না ফীভম অমত্তদা য়াবা ঙল্লোই হায়না লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, অহানবদা সূগী য়ানবা অসি লৈবাক অসিগী লাম্মী খূৎপু অমগা কুকি-জো মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা ওগষ্ট ১,২০০৫দগী লোন্না তৌনরম্লনি। অদুগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## থাদৌগী লুচিংবা জোমহাও হাৎপদা চেন্নবা কাদর ৫ পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌরে : কে আর এ

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** অসামগী থাদৌ লিটরেচর সোসাইটিগী চেয়রমেন নেকম জে মহাওবু মমাঙ থাগী ৩০গী নুমিদাংদা ময়ূমদা তমথীনা ফূ-চৈরবা মতুংদা ফাদুনা পুখ্রগা মীহাৎ থীনা হাৎলগা তুরেলদা থাদখিবা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা ঙসি সূগী য়ানবা চহী অমা শাংদোকপদা য়াওরিবা কুকি রেভল্যুস্নরি আর্মি (কে আর এ) গী কাদর ৫ পার্টি অসিগী থবক থৌরমশিংদগী খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌরে হায়না লালহৌলূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল এস গাংতেনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## স্পিকর দেল্লীদা চৎখ্রে, গভর্ণর ঙসি হল্লক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মিজোরাম অমসুং অসামদা চৎকদবা খোঙচৎকী মনুং চন্না পুং ৪ রোমগী ওইনা মণিপুরদসু লাক্তুনা চুড়াচান্দপুর অমসুং কংলাদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাঙলমগনি হায়দুনা অকনবা থৌরাং তৌরকপদগী থা অসিগী ১গী নুংথিলদা রাজ ভবনদা গভর্ণরগা উনদুনা ৱারী শারম্লবা মতুং ঙসি নুংথিল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ডা. এল এম সিংহ শরুক য়ারুগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** হয়েংদগী হৌরদুনা থা অসিগী ৭ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চূপ্না ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা গেষ্ট্রো অমসুং লিভর দিজিজশিংগী কনফরেন্সতা ডা. এল এম সিংহ (দি এম-গেষ্ট্রোএন্টরোলোজি) সু শরুক য়ারুগনি হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL-B/9827/05

Ajay Kumar Bhalla
Governor of Manipur

Imphal
Raj Bhavan-795001
Tel: +91-385-2450278/2442478
Fax : +91-0385-2450278/2442478



### MESSAGE

*On this auspicious occasion of Teachers' Day, I express my heartfelt admiration and gratitude to all the teachers of Manipur for their service and commitment towards building a nation of knowledge superpower.*

*A teacher is not just someone who imparts knowledge, but shapes our character and ignites our potential for shining our future. Their unwavering dedication, wisdom and compassion not only leave an indelible mark on our lives but also resonate throughout a lifetime. Teachers are beacons of inspiration, guiding us to explore our passions and reach our potential.*

*No doubt, teachers are the guiding force for students and true builders of our nation. This is the precise reason why the "Guru-Shishya" tradition holds special reverence in Indian culture.*

*Today, with the National Education Policy 2020, India is marching towards becoming the knowledge superpower and our teachers are the most important stakeholders of this policy.*

*I remain hopeful that our teachers will lead the on-ground implementation of the policy in its entirety and help in the realisation of New India of the 21st century.*

Imphal,
The 5th September, 2025

*(Ajay Kumar Bhalla)*
*Governor of Manipur*


# গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
# মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ

দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা অমসুং রেজিষ্টর তৌরবা গাড়ীগী ওনরশিংনা শোয়দনা মখোয়গী মোবাইল নম্বরশিং অদু Vahan অমসুং Sarathi পোর্টেলদা অপদেট তৌবীয়ু। মসিনা অকুপ্পশিং মপূং ফাহনবা, চপ চানা লৈহনবা অমসুং অপটুদেট ওইহনবদা মখোয়দা মতেং পাংগনি। পোর্টেল অসিদা RTOs শিংদা চত্তনা মোবাইল নম্বরশিং ওনলাইনদা অপদেট তৌবগী খুদোংচাবসু ফংহল্লে।




মরী লৈনবশিংনা অকুপ্পা ৱারোলশিং Parivahan Website - https://parivahan.gov.in/ দা য়েংবা য়াগনি।

অহেনবা ক্লারিফিকেশনগীদমক চানবীদুনা ঈ-মেল তৌবীরকউ- id helpdesk-vahan[at]gov[dot]in and helpdesk-sarathi[at]gov[dot]in

CBC 37101/13/0010/2526